# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-১২-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা হৌখিবা মতম খর অসিদা ইংবগী চাং খংহেন হেনগৎলক্লি। উখ্রুলদা অয়ুক্কী মতমদা ইংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৫ , তামেংলোং জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৬ য়ৌরে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নৌনা থবক খল্লবশিংদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর খূৎশিন্নগনি।

**নিংথমথা (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা মতম খর অসিদা ইংবগী চাং খংহেন হেনগৎলক্লি। মরুওইনা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা কা হেন্না ইংবনা মীয়ামা খুদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োকরি। চিং য়াওনা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা অয়ুক্কী মতমদা লৈচিল কুংনা থাবনা লম্বী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োকরি। উখ্রুল জিলাদা কা হেন্না ইংবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। ঐখোয়গী পাউমী চোথিং শিমরেনা হায়-অইংবা খাংনবা মীয়ামা মৈ

তিক্তুনা লেল্লি। অদুম ওইনমক অইংবা অসিনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী নিংহন্নবা লৈতনা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি। ঈশিং ফংদবনা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োকরি। চান্দেল জিলাদা হৌজিক কা হেন্না ইংদ্রবসু অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল কুংনা থাবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি। হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লৈচিল কুংনা থাখি অমসুং নুমিৎ মশক উবা ফংখিদে। ঐখোয়গী পাউমী জিরে মোয়োননা হায়-জিলা অসিদা হংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১০ ওইরি। উখ্রুলদা ইংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৫ , তামেংলোং জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৬ ওইরি। অয়ুক অঙনবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্ট য়াওনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৮ য়ৌরে।

নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনসু নিংথমথাগী মতমদা মীয়ামা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা নিয়মশিং থোকখ্রে। মীয়ামা য়ারিবমখৈ মপান্দা থোক্তনবা, অরুম্বা ফি শেৎপা, খূৎকী গ্লোব, তুপী অমদি মফ্লর শিজিন্নবা, খুঙুপ তোঙবা, হকচাং ফনা থমবা মচী ওইবা চিঞ্জাক মরুওইনা বিতামিন সী মরাং কাইনা য়াওবা ডহৈ অমদি মনা-মশিং চাদুনা ইম্যুন ৱাংনা থম্বা, হকচাং শাগৎনবা অশাবা মহী মনাই থকপা অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবশিং চেকশিন্না থম্বীবা হকচাংগী উনশা কংদনবা পেট্রোল্লিয়ম জেল্লি, বোদি ক্রিমচিংবা শিজিন্নগদবনি।

নিংথমথাগী মতম অসিদা মীয়ামা য়ারিবমখৈ অইংবা মফমশিংদা লৈতনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা ইংবনা মরম ওইরগা হকচাং নিক্লক্লবদি অরুম্বা ফী শেৎচিন্দুনা ইমুংদা লৈগদবনি। ইংঙি হায়দুনা য়ূনচিংবা থকপীগনু। য়ারিবমখৈ মৈ তিকপা মতমদা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা হোৎনগদবনি।

**এআর (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে । চুরাচান্দপুর কাংপোকপী অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী নোংমৈ ২৫, নোংমৈ মরু অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি। অসাম রাইফলসগী চেরোল অমনা হায়-থা

অসিগী ১৮দগী ২২ ফাওবগী মনুংদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক্তা ফারবা পোৎলমশিং অদু মণিপুর পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী ককচিং সুমাংদগী পুলিসনা প্রীপাক্কী মীওই অমা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওই অদু ককচিং জিলা অসিদগীনি হায়রি। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিস্তর তৌখ্রে হায়রি।

**খৃষ্টমাস (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা চুরাচন্দপুর জিলাগী জিপকী তম্পাক খুলদা লৈবা ইন্টর্ল্লি দিসপ্লেস পর্সনশিংগী রিলিফ কেম্পতা খৃষ্টমাসকা মরি লৈননা মেলা অমা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুদা লৈরিবা মীওই ৫৭০দা কুম্মৈ অসিগা মরি লৈননা হরাওবা অমসুং নুঙাইবা ফোঙদোকমিন্নগনি। রিলিফ কেম্পকী মীওইশিংদা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈগী খুদোল ওইনা তোঙান তোঙানবা তঙাই ফদবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি হায়রি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** নুমিৎ হুমিগী ওইবা ইন্টেন্সিফিকেসন ওফ ফিস কলচর থ্রু বাইওফোক টেকোলোজি হায়বা অসিদা নুমিৎ হুমিগী ওইবা ত্রেন্নিং অমা ঙরাং লোইশিনখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরম অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী মীওই ২৫ শরুক য়াখি।

**কিসান(এল)ঃ** আই.সী.এ.আর রিসর্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ঈ.ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তর অমদি আই.সী.এ.আর কৃশি বিগ্যান কেন্দ্রা চুরাচন্দপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, তামেংলোং অমসুং উখ্রুলগী স্তাফশিংনা শিন্দুনা কিসান দিবস নেসনেল মসরুম ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি ‘ক্লাইমেট বেজ রাউন্দ দ ইয়র মসরুম প্রদক্সন’ হায়বা থিমদা ঙসি ইম্ফালগী লমফেল পাৎতা লৈবা

আই.সী.এ.আর মনিপুর সেন্তরগী হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা লৌমীশিং অমদি সাইন্তিসশিংগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমশু পাঙথোক্কনি।

লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি নেসনেল ফার্মস ডে থৌরম পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসি লৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু ইকাই খ্মবা উত্তুনা পাঙথোকপনি। লৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিংবু পৈশিন্দুনা থম্লগা শেন্মিৎলোন ফগৎহন্নবগী লম্বীদা অচৌবা থৌদাংসু লৌরি। লৌমীশিংগী মরুওইবা থৌদাংশিং অসিবু সরকারনা খঙবীদুনা হেন্না চাউখৎনবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলে। থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি, প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা অমসুং প্রধান মন্ত্রি কিসান মন্ধন য়োজনানি। স্কিমশিং অসিগী মখাদা লৌমীশিংদা শেলগী ওইবা তেংবাংশিং ফংহল্লি।

**এপোইন্টমেন্ট** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নৌনা থবক খল্লবশিংদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর খূৎশিন্নগনি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর লিশিং ৭১ য়েন্থোক্কনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি। অকাশবানি পাউমীনা হায়-রোজগার মেলা অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৫ দা পাঙথোক্কনি। রিক্রুটমেন্টশিং অসি কেন্দ্র সরকারগী মিনিষ্ট্রি অমসুং বিভাগশিংগী মখাদা পায়খৎপনি। রোজগার মেলা অসি লৈবাক অসিগী নহা কয়াদা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না পধান মন্ত্রিনা থাজবা পীখিবা অদুগী খোঙথাং অমা ওইনা পায়খৎলকপনি। মসিনা নহাশিংদা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহনদুনা মশা মথন্তা মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লগনি।

রোজগার মেলা অসি ইং ২০২২গী ওক্তোবরদা হৌদোকখিবনি। হৌজিক ফাওবা লৈবাক অসিগী সহর ৫০দা অসিগুম্বা মেলা ১৩ পাঙথোক্তুনা নহা লাখ কয়ামরুমদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগ অমসুং মন্ত্রালয়শিংদা থবক পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ট্রোফিদা মণিপুরগা ওরিষাগা ঙসি ফাইনেলদা থেংনরগনি। মেটচ অসি ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা রাম কৃষ্ণ মিসন আশ্রম গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটতা ২২ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরনা নোংচুপ বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা উরিষানা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইবনি।

অমরোমদা, ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর শন্তোস ট্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দ মেটচ অমদা ঙসি মণিপুরগা য়ুম্নু তেলঙ্গনাগা শান্নগনি। গ্রুপ-বিগী লিগ রাউন্দ মেটচতা মণিপুরনা সর্ভিসেস অমসুং রাজস্থানবু মাইথিবা পীখি। অদুম ওইনমক, জম্মু কাস্মির অমসুং নোংচ্প বেঙ্গলগা শান্নবা মেটচশিংদদি দ্রো চৎখি। মণিপুর চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক ক্বাতর ফাইনেল চংখ্রবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে । মণিপুর লেজিসলেতিভ এশেমব্লিদা তেন সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা পন্দুনা লৈরক্লিবা এম.এল.এ মঙাগী দিসক্বালিফিকেসন কেস, সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱিদিন এ রিজনেবল পেরিয়দ ওফ তাইম হায়বদু মণিপুরদা নুমিৎ কয়ানি ওইগদগে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউদা বেনর হেদলাইন তৌরে।

মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা পোলিতিকেল দাইলোগ চথবা মথৌ তাই-কোন্সম হিমালয়া হায়বা পাউ অমশু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা

হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা-মণিপ্‌র নিউজ অমদি পোকফম পাউচেদা ফোঙলি।

ঙল্লিনৈঙে মতমদগী লাইগী থৌরমশিংদা শিজিন্নরক্লবা মীয়ামদা পামা চানরিবা কবোক মখলশিং শাবদা কেমিকেল শিজিন্নরকপগী চিংনবা লৈরে হায়বা পাউ অমদি ইম্ফাল গুৱাহাতি ফ্লাইট অতোংমল লূপা লিশিং ১ দা লেপ্পীনবা কোর্টতা ৱাকৎখ্রে-হায়বা পাউনা ইচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর মপুং ফানা শম্বল খানবা অমসুং মীতোপ চংলকপা থিংনবা দেমোগ্রাফিক সর্ভে মপুং ফানা চত্থগদবনি হায়বা অমিত শাহগী ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমদি ইংলিস ইদিসনদসু ফোঙলি। পাউ অসি পীপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট ওফ ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট রিপোর্ট-মণিপুরদা লাম্মৈ থাবগী চাং হন্থরে, চুরাচান্দপুর অমসুং তামেংলোংনা লাম্মৈ থাবগী চাং খ্বাইদগী দিষ্ট্রিক্ট ওইরে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এস মচা অমনা কুকি অলত্রাশিংদা দ্রোন খুদোল তমখিবা, ফোরেন এজেন্টলা নত্রগা ইরাং থোকবা হোৎনবা ইভাঞ্জেনেলিসলা হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জোইন্ট ওপরেসন্দা খুৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউ অমশু পোক ফমগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি মোর্নিং বেলদা ফোঙলি।

খূল ঙাকপশিং হাৎপা অমদি ফাবা য়ারোই হায়বা দাবী তৌরদুনা পাক শন্ন ৱাকৎ মীফম চৎথখিবগী পাউসু মণিপুর মেল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।